**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- খুঙ্গং, সহর অমসুং থবক শুফম খুদিংমক্তা নুপীশিংবু হেন্না শক্তি পীনবা ঐখোয় পুন্না ৱাশক লৌরশি।

২) জষ্টিস এম. সুন্দর ঙসি হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী ১০ শুবা চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

৩) মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা পাক শন্না নোং চুখিবদগী জিলা খরদা ঈচাউগী অৱাবা ফিভম মায়োকরি।

৪) নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মবু কেন্দ্র সরকারগী শিংথানিঙাই ওইবা অফবা খোঙথাং অমনি হায়না মাইকৈ কয়াদা লেপ্তুনা ফোংদোকরক্লি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী সহরশিং অদু লৈবাক অসিগী চাওখৎপগী ইঞ্জিন ওইরি।

------

কম্মিসন (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- রাজ্য অসিগী খুঙ্গং, সহর অমসুং থবক শুফম খুদিংমক্তা নুপীশিংবু হেন্না শক্তি পীনবা ঐখোয় পুন্না ৱাশক লৌরশি।

ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা হোটেল ইম্ফালগী শঙাই হোলদা ঙসি পাঙথোকপা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী ১৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপালনা হায়-মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না নুপীশিংগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা অমসুং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা লৌখৎলিবা থবকশিং থাগৎনিঙাইনি। কম্মিসন অসিনা হৌখিবা চহি কয়া অসিদা চোকথবা লৈতনা নুপীশিংগী মরমদা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবা, খন্ন-নৈনবগী থৌরমশিং পাঙথোকপা, নুপীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খঙমিন্নবা অমসুং মীওৎ মীনৈগী চৈথেং ফংলবী নুপীশিংগী হক্কী মতাংদা পাক শন্না খঙহনবগী থৌরম কয়া পাঙথোরক্লি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা কেন্দ্র সরকারনসু বেতি বচাও, বেতি পরাও, পি.এম উজৱালা য়োজনা, পি.এম মুদ্রা য়োজনা, মিসন শক্তি অমসুং লাখপতি দিদিনচিংবা তোঙান তোঙানবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মসিগী মথক্তা কেন্দ্র সরকারগী চাইল্ড কেয়ার লিভ রাজ্য অসিদসু চৎনহন্দুনা নুপী কর্ম্মচারিশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীরি।

ঐতিহাসিক ওইরবা ইমা কৈথেলগী মতাংদা পল্লদুনা রাজ্যপালনা হায়- রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোনগী লমদা মণিপুরী নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি থোইদোকা থাগৎনিঙাইনি। মসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হন্দক্তা প্রধান মন্ত্রিনা লাক্লম্বা অদুদা ইমা কৈথেল মরি অমসু শঙ্গাখ্রে। সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংবুসু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

জষ্টিস (এল)ঃ জষ্টিস এম. সুন্দর ঙসি হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী ১০ শুবা চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। ইম্ফালগী রাজ ভবনদা লৈবা দরবার হোলদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা জষ্টিস এম. সুন্দরবু থবক পায়বগী ৱাশক লৌখি।

হান্নগী হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইরম্বা জষ্টিস কে. সোমাসেকরনা থবক পায়বগী মতম লোইদুনা পোত্থাখিবদগী জষ্টিস

এম. সুন্দরবু রাষ্ট্রপতিনা থা অসিগী ১৩ দা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইননবা খনখিবনি। মহাক হান্না মদ্রাজ হাই কোর্টকী জজ ওইরম্মী।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা, এম.এল.এশিং, হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজশিং, সিভিল অমসুং পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

সিইও (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈরিবা ইলেক্ট্রোনিক ভোতিং মেছিন (ই.ভি.এম) থমফম ৱায়ার হাউসতা ঙসি রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার সাইলেস কুমার চৌরাসিয়ানা চত্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অসি মহৌশা মহৌশাগুম থা অহুম অহুমগী ওইনা চৎপা য়েংশিনবা খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা চৎখিবনি। খোঙচৎ অদুদা শ্রী চৌরাসিয়ানা দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবম য়াওনা জিলা অদুগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

ঈচাউ (এল)ঃ মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা পাক শন্না নোং চুখিবদগী মফম খরদা ঈচাউগী অৱাবা ফিভম মায়োকরি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী মনুং চনবা ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাইদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইরিল তুরেলগী তোর্বান কায়দুনা ঈশিং চেন্থরকপদগী অনকপা মফম কয়া পাক্তকনা ঈশিং থুমজিনখ্রে। থম্বালখোং অমসুং কোংপালগী মফম খরসু ঈশিং থুমজিল্লে। মফম অসিগা নকনা লৈবা লৌফম কয়াসু পাক শন্না ঈশিং থুমজিনখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই কেন্দ্রগী মফম কয়াদসু মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা পাক্তকনা ঈশিং থুমজিল্লে। য়াইঙংপোকপী, শান্তি খোঙবাল, শাবুংখোক খুনৌ, শাবুংখোক, শৈজাং, লৈমাখোং মপাল, চানা, নোংঙাদা, লম্লাই অমসুং পুংদোংবমনচিংবা মফমশিংদা ঙরাংদগী হৌনা পাক্তকনা ঈশিং থুমজিনখি। মফম খরদদি লম্বী পাথোক্তুনা চেল্লবা ঈশিং হন্থরক্তুনা হৌজিক

নুংগোই লোক্লুৎ অমসুং য়ৌরবুং  খুনৌনচিংবা মফমশিংদা নৌনা ঈশিং থুমজিল্লক্লে। ঈচাউগী অৱাবা নংলবা মীওই কয়া মনাক নকপদা হাংদোকপা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি।

থৌবাল জিলাদসু ঈচাউগী অৱাবা কয়া মায়োকরি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ইথায় বরাজগা নকনা লৈবা মফম কয়াদা ঈশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপদগী পাথোরক্লুনা ঙাগী ফার্ম অমদি লৌফম ঈশিংনা থুমজিনখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী লন্নাই মাইকৈ অমসুং থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরিবা মীওইশিং থাংদোকপা, কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক্তা অরান্বাই তেঙ্গোলগী থৌমীশিং শরুক য়ারি। য়াইরিপোক খোইরোম অমদি থৌবাল ৱাংখেমগী ঈচাউনা শোকহল্লবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা থাংদোকপদসু মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী মীওইশিং শরুক য়াখি। অতৈ তোঙানবা লন্নাই লুপ কয়ানসু মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চত্থনরি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাইদা মীওই অমা ঙসি নুংথিলদা ইরিল তুরেলদা তাশিখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- ঙসি অমসুং হয়েং মণিপুরগী মফম অয়ান্বদা পাক্তকনা নোং চুগনি। সেনাপতি জিলাদদি ঙসি অখাক অরাউ য়াওনা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ য়াংবা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং চুগনি হায়রি। হয়েংসু জিলা খরদদি অখাক অরাউ য়াওনা নোং কন্না চুগনি।

জিএসটি (এল)ঃ    ৫৬ শুবা জি.এস.টি কাউন্সিলনা অয়াবা পীদুনা থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌগদৌরিবা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্ম অসিবু কেন্দ্র সরকারগী শিংথানিঙাই ওইবা অফবা খোঙথাং অমনি হায়না মাইকৈ কয়াদা লেপ্তুনা ফোংদোকরক্লি।

অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্নবা উন্নবা অমদা লিলোং হায়র সেকন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ডাঃ এন. শান্তনা হায়- নৌনা চৎনগদৌরিবা জি.এস.টি রিফোর্ম অসিনা লৈবাক অসিগী মীশিংগী চাদা ৬০ রোম মরুওইনা লাইরবা মীয়ামদা কান্নবা ফংহল্লগনি। নোংমদা চংবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং, মহৈ মশিং অমদি হকশেলগা মরী লৈনবা পোৎলমশিংদা হান্না লৌরম্বা জি.এস.টিগী চাংদা অসুক্কী মতিক হন্থখ্রে।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ ককচিং জিলাগী শরিক কোঞ্জিল গভর্নমেন্ট হাইস্কুলদা ঙসিদগী ৱাইল্ড লাইফ তুরিজম অমসুং মহৌশাগী মতাংদা নুমিৎ হুমি চথ্নগদবা কেপাসিতি বিল্ডিং ৱার্কসোপ অমা হৌখ্রে। থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন্না কেন্দ্র সরকারগী এম.এস.এম.ই মন্ত্রালয় অমদি ৱার্ল্ড বেঙ্ককা খুৎশমদুনা শিনবা ৱার্কসোপ অদুদা পুন্না মীওই ৪৫ না শরুক য়ারি।

অমরোমদা, তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চথ্নগদবা ইকো তুরিজমগী মতাংদা কেপাসিতি বিল্ডিং ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা তমেংলোং হেদক্কাটরদা চথ্নরি। ঙসি পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রামগী দি.এফ.ও খরিবম হিটলর, রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার জ্ৱেল গামৈ শরুক য়াখি।

ডে (এল)ঃ নেসনেল রিছার্স সেন্তর (এন.আর.সি)গী ৩০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম অমসুং একাদমিক দিস্কোর্স ওন এন.ই.পি ২০২০ (ইসুস এন্দ চেলেঞ্জেস ইন মণিপুর) ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ২০২৫ দগী ২০২৮ ফাওবগী এন.আর.সিগী থৌ পুগদবশিং খনখি। থোঙাম আজিৎনা প্রসিদেন্ট, অলকা থোকচোমনা জেনেরেল সেক্রেতরি ওইরগনি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কমিসনার কৃষ্ণকুমারনা জিলা অদুগী ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিগী থৌমীশিংদা এম্বুলেন্স খুৎশিন্নখ্রে। দি.সি. ওফিসকী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা শ্রী কৃষ্ণকুমারনা

ভোলুন্তিয়ারশিংদা এম্বুলেন্স অদু শিন্নখিবনি। এম্বুলেন্স অদু এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা দিপ্যুতি কম্মিসনারদা হান্না পীরকখিবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অদুগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনার টি.ঐচ. মনোরঞ্জন, চীফ মেদিকেল ওফিসার অমসুং এস.দি.ও শরুক য়াখি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী পঞ্চায়দা মহৌশাদগী লৈরক্লবা লিক-কোল অমদি লৈতেংগী পোৎলম শাবগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী হৌখ্রে। নুমিৎ হুমি চত্থগদবা প্রোগ্রাম অসি রেজিং এন্দ এক্সিলরেতিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স স্কিমগী মখাদা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার চান্দেলনা শিনবনি।

পোলিটেকিক (এল)ঃ ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা গভর্নমেন্ট পোলিটেকি ক্কী মহৈরোইশিংনা ইন্সটিট্যুট অসিগী ৱাৎলিবা টিচিং অমসুং নোন-টিচিং ষ্টাফশিং হাপ্পীনবা ঙসি খোঙজং চংশিনখ্রে। খোঙজং অদুবু থিংনবা হোৎনবদা পুলিসকা মুকবগী থৌদোক থোকখ্রে হায়রি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী সহরশিং অদু লৈবাক অসিগী চাওখৎপগী ইঞ্জিন ওইরি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- সরকারনা লম্বী-থোং তরু তনান্না থমবা, য়ুমলৈ কৈরৈগী ফিভম ফগৎহন্নবা, হেন্না থুবা মেত্রো সার্ভিস লৈহন্নবা অমসুং অশং অমান্না থল্লবা সহরশিং ওইহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংনা ফিভম অসি ওইরকখিবনি।

অতোপ্পা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- হৌখিবা চহি তরাদা জাম ত্রিনিতি, জেম, য়ু.পি.আই অমসুং ই-নামনচিংবা অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎপদগী দিজিতেলগী লমদা শিংথানিঙাই ওইনা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমলে। তশেংনা মসি দিজিতেল টেকোলোজি চাওখৎহনবতা নত্তনা অনৌবা অওনবা অমা পুরকপনি।

থবক ঃ চহি ১৫ গী মথক্তা লৈবা নুপাশিংগী মরক্তা থবক ফংদবগী চাং চহি অসিগী ওগস্থ থাদা চাদা ৫ দা হন্থহনবা ঙমখ্রে। পেরিওদিক লেবর ফোর্স সর্ভেগী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্ট মতুংইন্না খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা নুপাশিংগী ওইনা হৌখিবা থা মরিরোমগী রিপোর্ট নৈনবদা থবক ফংদবগী চাং চাদা ৪.৫ দা হন্থবা থেংনখি। ষ্টেটেষ্টিক্স এন্দ প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসন মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- হায়রিবা মতম অসিদা নুপীশিংনা থবক তৌবগী চাং চাদা ৩০ দগী ৩২ দা হেনগৎলকখি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- হজারিবাগদা নক্সলাইটশিংগী মায়োক্তা চখবা ওপরেসনদা সি.আর.পি.এফকী কোব্রা বত্তাল্লিয়ন অমসুং ঝারখন্দ পুলিসনা লৌখিবা থৌদাংশিং থাগৎনিঙাইনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী সাহনা হায়- ওপরেসন অদুদা অপুনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা লুপা কোতি ১ গী মনা পুরিবা নক্সলাইট লুচিংবা সহদেব সোরেন হাৎপা ঙমখি। মসিগী মথক্তা শেলগী মনা পুরিবা নক্সলাইট লুচিংবা অনি রঘুনাথ হেমব্রাম অমসুং বিরসেন গানজ্সু হাৎখি। থৌদোক অসিগী তুংদা অৱাং থংবা ঝারখন্দগী বাকোরা লমদমদা নক্সলাইটকী ইরাং শিংথানিঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙমলে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা অহানবা য়ুমাম মনাউ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ঙসিদগী দি.এস.এ বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে।

অহৌবা মেটচতা টি.ৱাই.দি.এ-এফ.সি তৌবুলনা বি.এফ.এ নাচৌবু পাঞ্জল ১০-১ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এ চান্দেলনা শিন্দুনা চত্থরিবা দি.সি. চান্দেল ত্রোফি সুপর দিভিজন লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চুম্বাং এফ.সি অমসুং খোংজোম ৱাই.সি পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা মোন্সাং পনখা ৱাই.সি.সিনা মহা মনি ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখি।

এথলেটিক্স (এল)ঃ ৪৬ শুবা ষ্টেট মাষ্টর এথলেটিক চেম্পিয়নসিপ কম ত্রাইয়েল সেলেক্সন মথং থাগী ৪ অমসুং ৫ দা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী ইন্ত্রি ফোর্ম থা অসিগী ১৮ দগী থাবা হৌরগনি হায়না মণিপুর মাষ্টরস এথলেটিক এসোসিয়েসন্না খঙহল্লক্লি।

স্কেটিং ঃ স্পিদ স্কেটি ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপদা ভারতকী আনন্টকুমার দেলকুমারনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংখ্রে।

------